

# সনালৈবাক স্পোর্টস

**IMPHAL, TUESDAY, DECEMBER 04, 2018 PAGE 7**




*ফ্রান্সকী ক্লব মোনাকোদা শান্নরিবা অদুগা মখা তানা কুমজা ২০২২ ফাওবা কোন্ট্রেক্ট শাংদোকখ্রবা পোর্টুগাল মচা রোনি লোপ্স*

*ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ক্লব অমা ওইরিবা সাউথমতনগী নৌনা মেনেজর ওইনা ফম পুহনখ্রবা মার্ক হুগেস*

## ওলিম্পিক চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনানা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, স্পেন অমসুং ফ্রান্স ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৩ঃ*

রিও ওলিম্পিকক্কী চেম্পিয়ন আর্জেন্টিনানা ন্যু জিলেন্দবু ইনিদয়ানা যুম্বু ওইরগা চথরিবা হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপকী ঙসি শান্নখিবা পুল এ গী মেটচ অমদা পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, পুল অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা স্পেন অমসুং ফ্রান্স পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

আর্জেন্টিনা অমসুং ন্যু জিলেন্দনা ঙসি শান্নখিবা পুল এগী মেটচ অদু হৌবদগী লম্বা খরা মান্নরক্লবসু এটেক তৌবগী চাং আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা খরা হেল্লপ উখি। শান্নবগী মিনট ২০ হেন্না চঙশিল্লক্লবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ২৩শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা অগুষ্টিন মাজিল্লিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মিনট ৭ রোমগী মতম অদুদা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা ইক্কেলাইজর ওইনবা হোৎনরকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদনা ০–১ দা শোথরগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীমক মতম খরা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হনে দাকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৪১শুবা মিনটতা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা লুকাস ভিলানা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকপগী লম্বেলদা পুশিল্লকখি।

আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা মেটচকী ৫৫শুবা মিনটতা চথরকখিবা এটেক অমদা লুকাস মার্টিনেজনা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি।

হোক্কি মেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল এ গী অতোপ্পা মেটচ অমদা স্পেন অমসুং ফ্রান্স য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি।

মেটচকী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ৬শুবা মিনটতা ফ্রান্সকী শান্নরোই টিমোথি ক্লেমেন্টনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি। অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা কন্না হোৎনখ্রবসু পাঞ্জল হনে দাকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৪৮শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা অলভারো ইগ্লেসিয়াসনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।



*আর্জেন্টিনাগী শান্নরোইশিংনা মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮–১৯
## মুম্বাই সিটিনা দিল্লি দাইনামোসপু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীখ্রে

*জমসেদপুর, দিসেম্বর ০৩ঃ*

ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফসিনা দিল্লি দাইনামোস এফসিবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীরম্লগা পোইন্ট টেবলদা হান্না ৬শুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক অনী হাইগৎতুনা ৪শুবা মফমদা লৈখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদু যুম্বু টিম ওইখিবা দিল্লি দাইনামোস এফসিনা এটেক হেন্না তৌদুনা লাকখি। শান্নবগী ৩শুবা মিনটতা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোই সৌভিক চক্রবর্তিনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা দিল্লিনা মখোয়বু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অদুগী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখিবদা পাঞ্জল ০–১ দা শোথদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকপা মেটচকী ৪৯গী মুম্বাই সিটি এফসিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা রাফেল বাষ্টোসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬১শুবা মিনটতা দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোই মার্টি ক্রেস্পিনা শোয়বদগী চনশিনখিবা পাঞ্জলনা মুম্বাইনা মখোয়বু ২–১ দা হেন্দুনা লৈখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৬৪শুবা মিনটতা দিল্লি দাইনামোসকী শান্নরোই গিয়ান্নি জুইভরলুননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ২–২ দা মান্নহনবা ঙমখি।

ইক্কেলাইজর ওইখ্রবা মতুং মিনট ৫ লৈরগা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা রেনিয়র ফর্নান্দেজনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ৩–২ দা যুম্বু টিম ওইখিবা দিল্লি দাইনামোসপু হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী ৮০শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা পাওলো মচানোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মুম্বাই সিটি এফসিনা দিল্লি দাইনামোস এফসিবু পাঞ্জল ৪–২ দা মায়থিবা পীরমখি।



*মুম্বাই সিটি এফসিগী শান্নরোইশিংনা দিল্লি দাইনামোসকী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

## আইওএনা কুমজা ২০৩২ ওলিম্পিক গেমস যুম্বু ওইননবা বিদ তৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ঃ*

ইন্দিয়ানা কুমজা ২০৩২ ওলিম্পিক গেমসকী যুম্বু ওইননবা ইন্দিয়ান ওলিম্পিক এসোসিয়েসন (আইওএ) না মরী লৈনবা চে–চাং শিং থাজিনখ্রে।

পনবা য়াবদি চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা আইওএগী প্রসিদেন্ট নরিন্দ বত্রনা ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতি (আইওসি) গী চীফ থোমাস বেক উন্নদুনা কুমজা ২০৩২ দা লৈবাক অসিনা যুম্বু ওইননবগী দরকার লৈবা মচাকশিং অদুগী মতাং দা ৱারী শান্নখিবনি।

আইওএগী সেক্রেটরী জেনরেল রজিভ মেহতানা থা অসিগী হৌরকপদা টোকিওদা পাঙথোকখিবা আইওসিগী বোর্দ মিটিং অমদা বিদ কমিতিগী মেম্বর অহুম্না শাবা টিম অসিগী মকোক ওইখিবা জেকলিন বারেট, এসোসিয়েট দাইরেক্তর ওলিম্পিক গেমস অমসুং ওলিম্পিক কেন্দিদেচরগা উন্নদুনা ৱারী শাখি।

ৱারী শান্নখিবা অদুদা আইওসিগী বিদ কমিতিনা তরাম্না ওকখি লোয়ননা ইন্দিয়া লৈবাক্তি ঙন্না যুম্বু ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোরকখি হায়রি।

## ইন্দিয়াগী পৱন সিংহ আইএসএসএফকী জজেজ কমিতিগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ০৩ঃ*

মমাঙদা ইন্দিয়ান সুট্টিং টিমগী কোচ ওইরম্লবা পৱন সিংহ ইন্টরনেসনেল সুট্টিং স্পোর্ট ফেদরেসনগী জজেজ কমিতিগী মেম্বর ওইনা খনখ্রে।

ঙসি জর্মনিগী সিটি ম্যুনিক্তা পাঙথোকখিবা ভোট অদুদা ইন্দিয়াগী পৱন সিংহবু মেম্বর ৭ না শাবা জজেজ টিম অদুগী মেম্বর ওইনা খনখিবনি। মহাক্না পোষ্ট অসি পায়বা অহানবা ইন্দিয়া মচাসু ওইবা ঙমখ্রে।

আইএসএসএফকী জজেজ কমিতিদা য়াওখ্রবা ইন্দিয়াগী পৱন সিংহ নেসনেল রাইফল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (এনআরএআই) গী জোইন্ট সেক্রেটরীগী ফমসু পুরিবনি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী রানিন্দর সিংহসু ঙরাং পাঙথোকখিবা আইএসএসএফকী ভাইস প্রসিদেন্টকী মীখলদা মায় পাক্তুনা অহানবা ইন্দিয়া মচা অমনা ভাইস প্রসিদেন্টকী ফম পায়বা ওইখিবনি। আইএসএসএফকী মীখল অসি চহী ৪ / ৪ লৈরগা পাঙথোকপনি।

## ইন্দিয়ানা ৱার্ল্ড য়ুঠ চেছ ওলিম্পিয়াদতা সিলভর মেডল ফংখ্রে

*কোনিয়া (টর্কি), দিসেম্বর ০৩ঃ*

টর্কিগী সিটি কোনিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড য়ুঠ চেছ ওলিম্পিয়াদতা ইন্দিয়াগী টিম্না সিলভর মেডল ফংখ্রে।

ইন্দিয়াগী চেছ টিম অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোইশিং অদুদি জিএম ইরিগাইসি আর্জুন, আইএম পি. ইনিয়ান, কৌষ্টাভ চেট্টরজি, সঙ্কল্প গুপ্তা অমসুং ৱুমেন মাষ্টর দিভ্যা দেসমুখনি। অদুগা ইন্দিয়াগী টিম অসিগী কোচনা গ্রান্দমাষ্টর স্রিনাথ নরায়ননা ওইরি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা ৱার্ল্ড য়ুঠ চেছ ওলিম্পিয়াদ অদুদা রাউন্দ ৯ শান্নখিবদা রাউন্দ ৭ মায় পাকখি অদুগা মেটচ ২ অমনা মায়থিবা নংদুনা মেটচ পোইন্ট ১৪ ফংখি।

ৱার্ল্ড য়ুঠ চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিদা ইন্দিয়াগী টিম্না মেটচ পোইন্ট ১৪ ফংদুনা খ্বাইদগী ফজবা অনীশুবা টিম ওইখিবদগী সিলভর মেডল ফংহৌখি।

ৱার্ল্ড চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিদা উজবেকিষ্টানগী টিম্না মেটচ পোইন্ট ১৬ ফংলগা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি। অদুগা চাইনাগী টিম্না মেটচ পোইন্ট ১৩ ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখি।

টর্কিগী সিটি কোনিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড য়ুঠ চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিদা লৈবাক ৩৯ দগী লাকপা টিম ৪৬ না শরুক য়াখি।



## স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনানা ভিলারিয়েলবু ২–০ দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে, ইটালিগী সেরি এদা রোমা অমসুং ইন্টর দ্রো চৎখ্রে

*মাদ্রিদ। রোম, দিসেম্বর ০৩ঃ*

স্পেনগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লা লীগাগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনানা ভিলারিয়েলবু ২–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখ্রে, ইটালিগী সেরি এ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা রোমা অমসুং ইন্টর পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

বার্সেলোনা অমসুং ভিলারিয়েলনা ঙসি শান্নখিবা লা লীগাগী মেটচ অদু হৌরবদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী মিনট ৩০ হৌজিনখ্রবা ফাওবা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জেরার্দ পিক্যুনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ১–০ দা ভিলারিয়েলবু হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখি। পাঞ্জল অমা শোথদুনা লৈরিবা ভিলারিয়েলগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা খুদোংচাবা পীখিদে।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল লৈনরূদ্রবা মতুং ৮৭শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা কার্লিস এলেনানা পাঞ্জল অমগা চনবা ঙমদুনা মেটচ অদু মখোয়না ভিলারিয়েলবু পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা সিভিলা অমসুং দিপোর্টিভো অলাভেস পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল দিপোর্টিভো অলাভেসকী শান্নরোই জোনিনা শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চল্লগা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৭৮শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ৱিসাম বেন য়েদ্দরনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ১–১ দা দ্রো চৎলগা লোইশিনখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা রোমা অমসুং ইন্টর পাঞ্জল ২–২ দা দ্রো চৎখি।

শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোই কৈটা বাল্ডেনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখিবা অদু অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫১শুবা মিনটতা রোমাগী শান্নরোই চেঙ্গিজ অন্দরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নখি। ৬৬শুবা মিনটতা ইন্টরগী শান্নরোই মাওরো ইকার্দিনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অমুক হন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা রোমানা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা এলেকসান্দর কোলারোভনা পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেটচ অদু ২–২ দা দ্রো চৎখি।

সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা লাজিও অমসুং চিয়েভো পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চিয়েভোগী শান্নরোই সর্জিও পেল্লিসিয়রনা শান্নবগী ২৫শুবা মিনটতা চনখি। লাজিওগী মায়কৈদগী ইক্কেলাইজর অদুনা অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা ৬৬শুবা মিনটতা সিরো ইমোবাইলনা চনবা ঙমখিবনি।



*বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী ২শুবা পাঞ্জল চনখিবা কার্লিস এলেনা (ওই) না টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## হালেপ, ওসাকা অমসুং কর্বর সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিসতা শান্নরগনি

*সিদনি, দিসেম্বর ০৩ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী সিটি সিদনিদা মথং চহীগী জনুৱারী ৬ তগী ১২ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সিদনি ইন্টরনেসনেল টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ, যুএস ওপন চেম্পিয়ন জপানগী নাওমী ওসাকা অমসুং মমাঙদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর শরুক য়ারগনি হায়না সিদনি ইন্টরনেসনেল ওর্গনাইজরনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকী অমসুং যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনা নত্তনা অতোপ্পা ৱার্ল্ড রেঙ্কিং ১০ ফাওবগী লৈবা নুপীগী শান্নরোইশিং শরুক য়াগনি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ৱার্ল্ড নম্বর ১৪ দা লৈরিবা বৃটেনগী কাইল এদমুন্দনা টোপ সিদেদ ওইগনি। অতোপ্পা নুপাগী কাঙলুপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং অদুদি ফ্রান্সকী গাইল সাইমোন, লুকাস পোলি, জো–ৱিলফ্রেদ সোঙ্গা ওষ্ট্রেলিয়াগী এলেক্স দি মিনোরনি।

মালেমগী মমিং লৈরবা শান্নরোইশিংনা সিদনি ইন্টরনেসনেল অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা অসিদা টুর্নামেন্ট অসিগী দিরেক্তর লোরেন্স রোবার্টসননা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

| ক্রোসৱার্দ ১গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| R | S | V | P | | S | T | E | L | E | | A | G | H | A |
| O | L | I | O | | A | W | A | I | T | | C | R | A | M |
| T | A | X | I | N | G | A | U | T | H | O | R | I | T | Y |
| A | V | E | N | U | E | | | M | A | T | E | D | | |
| T | E | N | T | S | | B | R | U | N | T | | I | R | A |
| E | S | S | | | G | E | E | S | E | | I | R | A | N |
| | | | B | I | P | E | D | | | T | B | O | N | E |
| | H | A | R | D | O | F | H | E | A | R | I | N | G | |
| C | A | M | E | O | | | E | L | V | E | S | | | |
| A | N | E | W | | S | C | A | L | E | | | B | B | L |
| D | D | T | | G | E | O | D | E | | S | H | A | L | E |
| | | H | A | I | R | Y | | | E | L | I | T | E | S |
| T | R | Y | I | N | G | O | N | C | L | O | T | H | E | S |
| N | E | S | T | | E | T | U | I | S | | M | E | D | E |
| T | A | T | S | | S | E | N | S | E | | E | R | S | E |

## নোকআওট ষ্টেজদগী ভিএআর শীজিন্নগনি

*লন্দন, দিসেম্বর ০৩ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান–তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথরিবা যুইএফএ চেম্পিয়ন্স ট্রোফিগী নোকআওট ষ্টেজদগী হৌরগা ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরি (ভিএআর) শীজিন্নগনি হায়না য়ুরোপিয়ান ফুটবোল গভর্ণিং বোদি অসিনা ফোঙদোরক্লি।

শান্নরোইশিংনা ফিল্ডদা চৎন–পথাপকী ৱাংমদা ফাওল তৌবদা মেটচ অদু কন্দক্ত তৌরিবা রেফরিনা করিগুম্বদা উহৌদবা অদুগী খুদোংচাদবা অদু কোক্লবগীদমক ভিএআরগী মতেংনা খঙবা ঙমদুনা মতম চানা রিজল্ট পীবা ঙম্লগনি হায়না য়ুরোপকী খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল বোদি যুইএফএগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।


## Reena Physiotherapy Clinic

*YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST*

**Treatments**
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

**Instruments**
- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি ।

Sunday Open
8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

*Please Contact:*
Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)
Phone No. 9774980552 / 8974282395

SL/BILL/Alt/30 Days upto 20 Dec.18